# হুইয়েন লানপাও

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখিবা জুক্টো ফ্রন্ট ১৯৪৭কী নীংশিং থৌরমদা অখণ্ড অহৈশিংনা করিগীদমক নুমিৎ অসিগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাঙখিবা


এটমোস্ফিয়রগী অরূম্বনা ঐখোয়গী ইথক্তা নন্থরক্লিবসি ... লামায় ২

লামায় ৪ হায়নিংবা ৱাহৈ খরা, হংনিংবা ৱাহং খরা ?

নুংশিবা, অচুম্বা, লৈবাক খুন্নাই অমসুং পূন্সিবু চেকশিন্না লুনা ... লামায় ৫

লামায় ৬ মন্ত্রিপুখ্রিদা শেল মুন্নবা, মী ফানবা তৌরম্বা মখা তানা...

'লৌমীশিং নোংমদা লুপা ২৭ খক্তমক তানবা ঙম্লি... লামায় ৯

লামায় ১২ মেন্স জুনিয়র এসিয়া কপ : ইন্দিয়ানা চাইনিজ...


আর্ট ওফ লিভিং মণিপুরনা পায়খৎলকপা 'অনৌবা য়াকাইরোলগী লাইফ-স্কিলস অপগ্রেদ' প্রোজেক্টকী মনুং চন্না মহৈরোয় অমসুং ওজাশিংগী ৱার্কশোপ অমা লমলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবশিং




Vol. 48, Issue No. 238 | নোংমাইজিং, হিয়াঙ্গৈগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, December 01, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## 'কমলবাবু জিন্দা চাহিয়ে' হায়বা খোল্লাওনা লৈমখোং নীলখ্রে

## ঙসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মীফম পাঙথোক্তুনা ফিরেপ ১ লৌগদৌরি

### আর্মিগী তিঙ্খং তারা নমথেল্লগা জি ও সীগী ওফিসলশিংগা উনরুবদা 'ফংনবা থিরি' হায়বদগী হেন্না করিসু কান্নখিদ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ২৫গী অয়ূক্তা মহৌশাগুম্না লৈমখোংদা লৈবা ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী কেম্পসতা থবক শূবা শিন্মীশিং য়েংশিনবা চৎতুনা লেবরশিংগা ফাওবা উনদুনা মখোয়গী মথৌ তাবা পোৎ চৈশিং ফাওবা পীরমখিবা লাইশ্রম কমলবাবুবু নুমিৎ অসিদগী মফম খঙখিদবগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা জি ও সীদা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা তেক্ত-কায়দনা শিন্নবীনবা থাখিবা মতম লোইখিবদগী জে এ সীনা খোইশাওনরবা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা আর্মিগী তিঙ্খং তারা নমথেক্তুনা 'কমলবাবু জিন্দা চাহিয়ে' হায়বা খোল্লাওনা মাঙ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মণিপুরগী লানগী মায়োক্তা ওপোজিশননা দেল্লীদা অরোইবা খোঙ্গাও কাওগদৌরি

### ওপোজিশন আই এন দি আই এগী লুচিংবশিং উনদুনা মতম লেপথোক্লবা কে মেঘচন্দ্র চৎখ্রে, ঙসি ক্ষেত্রিময়ূম শান্ত চৎকনি





**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা চত্থরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খামদবদগী থা ১৯ চঙশিল্লকপগা লোয়ননা হেন্না শাথীবা লানগী থৌদোকশিং থোকচিল্লকপদগী পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম চত্থরিঙৈদা লান অসিগী মতাংদা লৈখাই তানবা দেল্লীদা ওপোজিশননা অরোইবা খোঙ্গাও কাওগদৌরি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মৈরা পায়বী সুসিলা পুলিসনা অমুক হন্না ফাবদা অয়াবা পীবিয়ু হায়জরকখিবা প্রেয়র কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১৬কী নুংথিলদা পাৎশোইগী এম এল এ, এস কুঞ্জকেশ্বরগী য়ূমদা মীওই লিশীং মুক্না থোমজিল্লক্তুনা অকাই-অতোই থোকহনখি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশননা কেস অমা লৌখৎতুনা কৈশামথোং ইরোম পৃখ্রি মপালদগী মৈরা পায়বী লুচিংবী থিংবাইজম সুসিলা (৬৬), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা টি ঐচ রোমিও ফাখিবগী মায়োক্তা মৈরা পায়বী লূপশিংনা টিদ্দিম লম্বী থিংজিনবগী খোঙজং ফাওবা চঙশিন্দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরিঙৈদা মহাকপু লম্ফেল পুলিস ষ্টেশননা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌনবা হোৎনরকখ্রে।

টি ঐচ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মণিপুর লৈঙাক্কী রিক্রুটমেন্টগী থবক থৌরম পূন্নমক থিংজিল্লব্রা

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):** মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংগী মনুংদগী খরদা চত্থরকপা রিক্রুটমেন্টগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## কর্ফিয়ু কোমথোক্কদবা মতম

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্কনি অদুগা ককচীংগীনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি।

## কুলদিপনা জিরিবামগী খুঞ্জাশিং উনখ্রে, মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৭তা জিরিবামগী জইরোলপোকপী খুলদা য়ূম মৈ চাকপদা মচা ৩ লৈরবী মৌনহা অমা লৈখিদবা, থা অসিগী ১১দা কুকি টেররিষ্টশিংনা জকুরাধোর লম্লোং কৈথেলদা লৈবা মীতৈগী য়ূম অমসুং দুকানশিং মৈ থাবদা মীওই ২ শিখিবা অমসুং নুমিৎতুমক্তদা অঙাং ৩, নুপী ৩ ফারগা পুরগা হাৎখিবদগী ওইরক্লিবা ফীভমশিং সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।



ঙসি অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদগী ইম্ফালগী কংলাদগী হেলিকোপ্টরনা জিরিবামগীদমক খোঙশানখিবা সিক্যুরিটি এদভাইজরনা জিরিবামগী হরিনগরদা লৈবা হেলিপেদতা থুংখি। মফমদুদা সিক্যুরিটি এদভাইজর হেলিকোপ্টরদগী কুমথখিদে। অদুবু মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা জিরিবামদা লাক্তুনা লৈরকখিবা আই জি পি (ইন্টলিজেন্স) কে কবিব অমসুং জিরিবামগী এস পি য়াওনা সী আর পি এফকী আই জি পি অমগা দি আই জি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## হৌজিক ঐখোয় ফম মুন্নগদবা মতম নত্তে : সী এম

### পি দি এনা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সী ওইরবসু চ্যেরমেন এল রামেশ্বর, এম এল এ য়াওখিদ্রে




**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):** ঙসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা লংথবালগী অরিবা কোনুংদগী অসাম রাইফলস হোংদোকখিবগা মরী লৈননা অরিবা কোনুং অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী প্লান্নিং এন্দ দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (পি দি এ) না ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সী ওইদুনা শেমগৎ-শাগৎপা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ইনোগ্যুরেশন তৌবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শঙ্গাখ্রবসু ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসিগী ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সী ওইরিবা পি দি এগী চ্যেরমেন লৌরেম্বম রামেশোর, এম এল এ শরুক য়াদনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হৌজিক ঐখোয় ফম মুন্নগদবা মতম নত্তে। ঐখোয়গী ফুরুপ অসি হৌজিক কয়াম ফীভম শোকচিল্লবগে হায়বদু খঙনা থবক তৌমিন্নসি। তুংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চূড়াচান্দপুরদা ত্রক মৈ চাকপদা দ্রাইভর শোক্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):** ঙসি নুংথিল পুং ১.৩৫ রোম তারকপদা চূড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকা কোলেজ রোদতা নূঙকুপ পুরকখিবা টাটা টিপর অমা নূঙ থানবা হোৎনরুবদা ইলেক্ট্রিককী ঐচ টি লাইনদা থেংবদগী মৈ হৌরক্তুনা ত্রক অদু চাকপদা মসিগী দ্রাইভর নুনখানুন (২৯) কৌবা ন্যু লমকা ভেঙদগী দ্রাইভর শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


